# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 14-09-2024)**

**কার্ফিয়ু (এল)ঃ** মনিপুরগী তম্পাক্কী জিলাশিংদা মীয়ামগী খোঙজং কনশিল্লকপদগী সরকারনা থল্লকপা কার্ফিয়ু ঙসিগী ওইন মতম খরগী ওইনা কোমথোক্লে।

তম্পাক্কী জিলাশিংগী মরি লৈনবা দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেটশিংনা থোকপা চেরোল অমগী মতুং ইন্না জিলাশিং অসিদা ঙসি অয়ুক পুং ৫ দগী নুংথিল পুং মরি ফাওবা জিলা অনি অসিদা থল্লম্বা কার্ফিয়ু কোমথোক্লে। কার্ফিয়ু কোমথোক্লিঙৈ মনুংদা মরী লৈনবা ওথোরিতিশিংগী অয়াবা য়াওদনা মীয়াম পুনবা, খোঙচৎ চৎপা, ৱাকৎ মীফমনচিংবা ফম্বা য়ারোই হায়রি।

কার্ফিয়ু কোমথোকপনা মরম ওইদুনা অয়ুক অঙনবদগী হৌনা পেসেঞ্জর পুবা গাড়িশিং নীংথিজনা চেল্লে। ইম্ফালগী মরুওইবা কৈথেলশিং মহৌশাগুম কৈথেল ফমদুনা মীয়ামা পোৎ লৈবা লাকরি।

**ফোরেষ্ট (এল)ঃ** রাজ্যগী ফোরেষ্ট বিভাগনা শিনদুনা ৭০ শুবা ৱাইল্ড লাইফ ৱিক চয়োল পালন মথং থাগী অনিদগী ৮ ফাওবা পাঙথোক্লগনি। কুমশি চহিগী ওইনা পালন থৌরম অসিগী হীরমনা অমত্তা ওইনা হিংমিন্নদুনা লমলক্কী শা উচেকশিং কনবা হায়বসিনি। থৌরম অসিগা মরী লৈননা মহৌশাগী লৈফমদা মনিপুরগী লমলক্কী শা উচেকশিং হায়বসিদা ৱাইল্ড লাইফ ফোটোগ্রাফি কম্পিটিসন অমা ওক্তোবর তরেৎতা পাঙথোক্কনি। অকুপ্পা মরোল চীফ কঞ্জারভেটর ওফ ফোরেষ্ট ৱাইল্ড লাইফ মনিপুরদগী খঙবা য়াগনি।

**এআর(এল)ঃ** অসাম রাইফলসনা তেংনৌপল জিলাগী ভারত-ম্যান্মার ঙমখৈ পরিংদা থিবা হুম্বগী থবক চথুবদা প্রিপাক্কী মীওই অনি ফারে। অসাম রাইফলসনা

থোকপা চেরোল অমদা হায়-অককবা পাউ অমা ফংবদগী ক্কাথা অমসুং ঐচ. মোংজাং খুলগী মরক্তা হৌখিবা য়ুমশকৈশা নুমিৎতা থিবা হুন্বগী থবক চত্থবদা মীওইশিং অমা ফাবা ঙমখিবনি হায়রি।

নুমিৎ অসিমক্তদা ভারত-ম্যান্মার ঙমখৈ পরিংগী পোইন্ট ৪২২ দগী লালহৌলুপ অসিগী মীওই অমা ফাবা ঙমখি। ফারবা মীওইশিং মখা তাবা আইনগী থবক লৌখৎনবা মনিপুর পুলিসতা শিন্নখ্রে হায়রি।

**নোং(এল)ঃ** মনিপুরগী জিলা খরদা লাক্লিবা নুমিৎ নিনি-হুমনি অসিদা নোং চুগনি হায়রি।

ইন্দিয়া মেতিওরোলোজিকেল সেন্টর ইম্ফালগী চেরোল অমনা হায়-তমেংলোং, সেনাপতি, উখ্রুল, চুরাচান্দপুরনচিংবা মফমশিংদা অখাক অরাওগা লোয়ননা নোং চুগনি। ফেরজোল, চান্দেল, তেংনৌপল, ককচিং, থৌবাল, বিষ্ণুপুর অমসুং নোনেগী মফম খরদা নোং চুরবা য়াই হায়রি।

মরক অসিদা, মেট বিভাগনা উত্তরাখন্দ, উত্তর প্রদেস, দিল্লি, মধ্য প্রদেস অমসুং রাজস্থানগী মফম কয়াদা অকনবা নোং চুগনি হায়রি। ময়াই থংবা ভারতকী শরুক্তা দিপ্রেসন লৈবা মরমনা নোং কন্না চুরবা য়াই হায়রি। উত্তরাখন্দ অমসুং উত্তর প্রদেসকী মফম কয়াদা রেদ এল্লার্ট লাউথোকখ্রে। ওইরক্লিবা ফিভম অসিগী য়েংলগা এন.দি.আর.এফ. অমসুং এস.দি.আর.এফকী টিমশিং মীকুপ নাহুমশিং লৈনবা খঙহনখ্রে।

**ফসাইঃ** কুম্মৈ ফিয়োংগী মতমদা পোৎয়ান তৌরবা শঙ্গোমগী পোৎথোকশিং অমদি অথুম অহাওশিং য়োনবা অমদি শেম-শাবা থিংনবা ফুদ সেফতি এন্দ ষ্টেন্দরস ওথোরিতি ওফ ইন্দিয়া (ফসাই) না রাজ্য অমসুং য়ুনিয়ন টেরিটোরিশিংদা খঙহনখ্রে।

ফসাইনা হায়-রাজ্য অমসুং য়ুনিয়ন টেরিটোরি সরকারশিংনা কুম্মৈগী

মতমশিংদা অসিগুম্বা অরানবা থবকশিংদগী ঙাকথোকবগীদক তোইনা য়েংশিনগদবনি। কুম্ভে ফিয়োংগী মতমদা শঙ্গোমনা শাবা অথুম অহাওশিং মরুওইনা ঘি, পানির, অথুম অহাওগী পোৎলমশিং মীয়ামনা লৈবগী চাং খঙহেন হেনগৎলি। মরম অদুনা অসিগুম্বা মতম অসিদা পোৎয়ান য়াওব্রা হায়বদু তোয়না য়েংবগী তঙাইফদবা লৈ। সরকারশিংনা অখন্নবা সরভিলেন্স তৌদুনা চিংনবা মফমশিংদা ড্রাইব চথুনবসু খঙহল্লি।

**অমৃত ঃ** তরেৎশুবা নেসনেল সেক্যুরিতি ষ্টেটেজিস কনফরেন্স ন্যু দিল্লিদা ঙরাং গৃহ মন্ত্রি-অমিত সাহনা হৌদোকখ্রে। নুমিৎ নিনি চথুগদবা মীফম অদুদা সরকারনা লৈবাক মনুংগী ওইবা সেক্যুরিতিদা শিংনরক্লিবশিং রাজ্য অমসুং য়ুনিয়ন টেরিটোরিশিংগী পুলিসকী মকোক থোংবা ওফিসিএলশিং, সেন্ট্রেল আমদ পুলিস ফোর্স অমসুং সেন্ট্রেল পুলিস ওর্গনাইজেসনশিংগী লুচিংবশিংগা ৱাফম কয়া খন্নগনি।

গৃহ মন্ত্রিনা মাফম অদুদা দি.জি.পি অমসুং আই.জি.পি. কনফরেন্স রিকোমেন্দেসন দাসবোর্ড হৌদোকখি। দাসবোর্ড অসি নেসনেল ক্রাইম রেকোর্হ ব্যুরোনা শেমগৎপনি। মীফম অসিদা লৈবাক অসিগী ওফিসার ৭৫০ হেনবনা শরুক য়ারি।

**পোর্টব্লেয়রঃ** অন্দমান নিকোবর ইথৎকী পোর্টব্লেয়ারবু শ্রী বিজয়া পুরম হায়না মমিং ওল্লগনি হায়না সরকারনা ৱারেপ লৌরে।

সোসিএল মিদিয়াদা থাগৎপা ৱারোল অমদা গৃহ মন্ত্রি-অমিত সাহনা হায়-লোইলম লৈঙাক্কী মমি মুথৎনবা পান্দমদা সরকারনা মফম অসিবু মমিং ওন্নবা ৱারেপ লৌবনি। মহাকা হায়-লৈবাক অসিনা নীংখা তমবগীদমক লান্থেংনখিবা অমসুং মদুদা মায় পাকখিবা অদুবু নীংশিংদুনা শ্রী বিজয়া পুরম হায়না মমিং ওনবনি।

গৃহ মন্ত্রিনা হায়-অন্দমান নিকোবর ইথৎ অসি লৈবাক অসিনা নিংখা তম বগীদমক লান্থেংনখিবা অমসুং মসিগী ইতিহাসতা চাউনা মফম কনদুনা লৈরি। মহাকা হায়-চোলা ইম্পয়ারগী মতমদা ইথৎ অসি হিংথাংফম অমা ওইবগা লোয়ননা চাউখৎ থৌরাংগী ওইনা য়ামা মরুওইবা মফম অমা ওইরম্মী। মন্ত্রিনা হায়-মফম অসি নেতাজি সুভাসচন্দ্র বোসনা ভারতকী মচু অহুমগী ফিরাল অহানবা ওইনা পাইহল্লম্বা মফমশিংগী মনুংদা অমনি। মসিদা নত্তনা ভারত নীংখা তমবগীদমক লান্থেংনবদা মরুওইবা থৌদাং লৌখিবা ভির সরভারকরগুম্বা থম্লম্বা সেল্লুর জেল লৈবা মফম অমনি।

**অসামঃ** অসামগী মুখ্য মন্ত্রি-হিমন্ত বিশ্ব শর্ম্মনা হায়রি-থা অসিগী ১৯ দগী হৌনা সরকার অসিনা অনৌবা বিনিফিসরিশিংদা রেসন কার্ড লাখ ১৩ পীরগনি।

রাজ্যগী মন্ত্রি-মন্দলগী মীফম লোইরবা তংদা পাউমীশিংদা ৱা ঙাংবদা মুখ্য মন্ত্রিনা হায়-সরকার অসিনা ফ্লেকসিপ প্রোগ্রাম অমা ওইরিবা অরুনোদোই থ্রি পোইন্ট জিরো লাক্লিবা শগোলশেল নুমিৎতগী হৌদোক্লগনি। স্কিম অসিগী মখাদা অনৌবা বিনিফিসরি লাখ ১২ লিশিং ৬০ দা কান্নবা পীরগনি।

মহাকা হায়-কন্ট্রেক্তা লৌরম্বা ওজা লিশিং ৪,৬৬৯ রিগুলরাইজ তাহল্লগনি। মসিগী মথক্তা কোক্রঝারদা লুপা কোতি ১০৭ চংনা ষ্টেদিয়ম অমা শেমগৎলগনি অমসুং লুপা কোতি ১১১ চংনা গুৱাহাতিদা অনৌবা ফ্লাই ওভর অমা শেল্লগনি।মুখ্য মন্ত্রিনা হায়-সি.এম. এ.এ.এ. স্কিমগী মখাদা বিনিফিসরি লিশিং ২৫,২৩৮ দা খুদোংচাবা পীরগনি। মসিনা লুপা লাখ অনি অনি ফংগনি। মসিগী মনুংদা লুপা লাখ অমদি সবসিদি ওইগনি অদুগা লেমহৌরিবা লুপা লাখ অমদুনা শেন্দোই য়াওদনা চহি মঙাগী মনুংদা শিংগৎনবা খুদোংচাবা পীরি। হায়রিবা শেনফম অসি নবেম্বর থাদগী পীবা হৌরগনি। মহাকা হায়-রাজ্য অদুদা আইনগী ৱাংমদা চথরিবা তোঙান তোঙানবা স্কামশিং সি.বি.আইদা শিন্ননবা ৱারেপ লৌরে।

**তেলঙ্গানাঃ** তেলঙ্গানা সরকারনা সেপ্তেম্বর ১৭ পু তেলঙ্গানা প্রজা পালানা ডে হায়না থৌরম পাঙথোকবা ৱারেপ লৌখ্রে।

ইং কুমজা ১৯৪৮ গী সেপ্তেম্বর ১৭ তা হায়দ্রবাদ ষ্টেটপু ভারত মপুংগী শরুক অমা ওইখি। নুমিৎ অসিবু নীংশিংদুনা পালন থৌরম অসি পাঙথোক্কদবনি হায়রি।

রাজ্যগী চীফ সেক্রেটরি-সান্থি কুমারীনা থোকপা চেরোল অমদা পালন থৌরম অসি পাঙথোকবা ফোংদোকখ্রে। থৌরমগী শরুক অমা ওইনা নুমিৎ অসিদা সরকারগী ওফিসশিং, অবার্ন লোকেল বোদিশিং অমসুং গ্রাম পঞ্চায়টশিংদা জাতিগী ফিরাল চিংখৎকনি। নুমিৎ অসিদা মুখ্য মন্ত্রি-এ. রেবান্থ রেদিনা হায়দ্রবাদতা জাতিগী মচু অহুমগী ফিরাল চিংখৎকনি। মন্ত্রিশিং অমদি অতৈ মকোক থোংবা লুচিংবশিংনা দিষ্ট্রিক্ট হেদক্বাটরসশিংদা জাতিগী ফিরাল চিংখৎকনি।

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

ঙসি ফোংবা পাউচেশিংদা ফোংনরিবা হেদলাইনশিং অমগা অমগা ইমান মান্নদ্রে। অদুমওইনমক, মনিপুর প্রদেস কংগ্রেস কমিতিগী মীহুৎ কাংবু অমনা পি.এম. ওফিসতা অইবা চেরোল পীদুনা মনিপুরদা লাকবা হায়জখিবা, সি.পি.আই. লুচিংবা সিতারাম য়েচুরি লৈখিদবদা ইন্দিয়া ব্লোকা নুংঙাইতবা ফোংদোরকপা, তম্পাক্কী জিলাশিংদা থল্লম্বা কার্ফিয়ু ঙসিগী ওইনা পুং মরি ফাওবা কোমথোকখিবগী পাউ অসিনা মরুওইবা পাউ ওইরি।

মনিপুরগী টেরিটোরিয়েল ইন্টগ্রীতি কায়হন্দনবা কন্সটিট্যুসনদা অখন্নবা প্রোভিজন হাপ্পীয়ু হায়দুনা প্রসিদেন্টতা ৱাকৎখ্রে হায়বসিনা হুইয়েন লানপাউগী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

ইন্টরনেট ফংবা চিংখোং চিংয়া মীনা থল্লে। অচাপোৎ ফাওবা য়োল্লে হায়বা পাউ অমা ফোটোগা কোন্ননা সনা লৈবাক্কী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

মনিপুরদা থোক্লিবা হিংশাগী থৌদোক্কী চপ চাবা রিপোর্ট কম্মিসননা এম.ঐচ.এদা পীখৎপগী মতম থা তরুক শাংদোকখ্রে হায়বসিনা মনিপুর ন্যুজগী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

দিল্লিগী মুখ্য মন্ত্রি-কেজ্রিৱাল জামিনদা থাদোকখ্রে, সুপ্রিম কোর্টনা সি.বি.আইবু শারংদা থম্বা তেনৱাগা চপ মান্নে হায়না চাংদমখিবগী পাউ পিপলস ক্রোনিকলগী অহানবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসি মনিপুর মেলদা অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

পুং অহুম চুপা বোমগী নোং চুখি হায়বসিনা ইম্ফাল ফ্রি প্রেসকী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

কে.এন.এ. (বি), পি.দি.এফ. কাদর ১৪, এ.আর পার্সোনেল ৪ হাৎখ্রে, হায়বা এন.এস.সি.এন (আই.এম) গী ৱাফমনা পোকফম অমসুং সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিসকী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

মীয়ামনা সঞ্জিতাগী হৌজিক ওইরিবা ফিভম খঙহল্লু হায়না রিমসতা থোমজিনখ্রে, ককৱাদসু খোঙজং চংশিনখ্রে হায়বসিনা ঈচেল এক্সপ্রেসকী অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

রুল্লিং অমদি ওপোজিসন খায়দুনা পোলিটিক্স তৌবগী মতম নত্তে-মহেশ্বর থৌনাওজম হায়বসিনা নহারোলগী থৌদাংগী অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

নুমিৎ মরিনি চুপা কার্ফিয়ু থমজিনবা, ইন্টরনেট থিংবনা মনিপুর খোঙ-খুৎ তেকপগা চপ মান্নরে হায়বসিনা ইম্ফাল ফ্রি প্রেসকী অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

মিজোরামগী সি.এস.ও. অমনা ইন্দো-ম্যান্মার বোর্ডর ফেন্সিং তৌবদা শৌগৎলি হায়খ্রে হায়বসিনা পোকফমগী অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

বি.জে.পিগী ওফিস থিংবা লৈতে হায়বা দলগী জেনরেল সেক্রেটরিগী ৱাফম সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিসকী অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।